# সঙাই ফেষ্টিবেলনা মালেমগী অতৈ মফমদা ফংদবা ষ্টেট এনিমেল সঙাইগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবা

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

তেংবানবা অসিদা হিংনরিবা মীওইবা হায়বা ঐখোয় অসি মশাগী নৎত্রগা মরৈবাক অদুদা ওইরিবা মহৌশাগী তোপ তোপ্পা ফীভম কয়ানা মশক তাকই। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা আমেরিকানা এটোম বোম থাদদুনা ন্যুক্লিয়রগী তমথীরবা চৈথেং ফংহনখিবা জপানিজ শিংবু, শুবা-নোম্বা কনবা অমসুং খোঙলৈ থুনা মালেমগী সুপর পৱার অমা ওইরকপা ঙম্বগীদমক্তা শীংথানৈ। মসিগা চপ মান্ননা চাইনা, জর্ম্মনি অমসুং ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাকশিং অসিসু আমেরিকাগী মথংদা অনীশুবা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবা সুপর পৱারশিং ওইরক্তুনা মালেমদা মমিং পন্নরি। অদুম ওইনমক, মীওইবনা চাওখৎলকপগী থাকশিং অসিদা, মহৌশাগী খূৎশেম ওইরিবা চীং, পাৎ, তুরেল অমসুং শা-উচেক্নচিংবা পূম্নমক অসিনা তঙাইফদনা চঙবা মচাক-মথুমশিংগী য়ূম্ফম ওইবগা লোয়ননা ফজবগী চীং-লেম্লবা মগুণ (এস্থেটিক) অমা চেলহল্লি। ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা, য়ুনাইটেদ নেশন্স এদ্যুকেশনল, সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেশন (য়ুনেস্কো) না মালেম শীনবা থুংনা মহৌশা খূৎশেম্মু ঙাক-শেন্দুনা থম্নবা হোৎনরি।

অৱাং-নোংপোক লমদমদা অমত্তা ঙায়রবা থুমহী চেন্দবা ফ্রেশ ৱাটর লেক লোক্তাক পাৎ অসি রমশার সাইট হায়না খঙনদুনা চেকশিন্না ঙাক-শেল্লিবা মফম অমনি, অদুবু ঙসিদি পাৎ অসি লোক্তাক হাইদ্রো ইলেক্ত্রিসিটি প্রোজেক্ট লিংখৎলকপা মরম্না অমসুং মসিবু য়োকখত্তুনা থম্বগী থবক্তা মওং-মরিল তারক্তবদগী, ফীভম য়াম্না শোকচিল্লক্লে হায়না ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্টিষ্টশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা পাৎ অসিগী কৈবুল লমজাও নেশনল পার্ক হায়না খঙনবা, অতাউবা ফূমদি মথক্তা মহৌশাদগী হৌনা চাক্তাফম ওইদুনা লৈরক্লিবা, মালেমগী মফম অতৈদা ফংদবা অমসুং ষ্টেট এনিমেল ওইনা অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা সঙাইগী মরাইবক করি ওইরক্কদগে হায়বা অসিসু খন্থরুবদা মিপাইনীংঙাইনি। লোক্তাক পাৎ অমসুং কৈবুল লমজাওদা লৈরম্বা মহৌশা খূৎশেমগী ইকোলোজিকেল বেলেন্স অদু লৈরক্তবা মতমদা মফম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা চেন-চোঙনা শান্নজরিবা মরাইবক থীরবা সঙাইনা মালেম অসিদগী মতম পূম্বগী ওইনা খোঙ্গুল মুৎখিবা হায়বসি মশানা তাবা ৱাফম্নি। মরম অসিনা মণিপুরগী লৈঙাক্লা লিংখৎপা লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ) অমসুং পাৎ অসিবু রমশার সাইট হায়রিবা মিংথোল অসিগী মখাদা য়েংশিল্লিবা এজেন্সী অনী অসিগী থবক-থৌরমশিংদা অকনবা মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তারক্লি। পি আর লৈঙাক্লা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপদা পূক্নীং চঙবগুম্না, সঙাইবু কলহৌনবগীদমক্তা ৱাফম অসিদা মীৎয়েং চঙহন্নীংই।

মুন্না য়েংশিল্লুরবদি, মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা লৈরিবা ঙমখৈগী ষ্টেটশিং অসি মশাগী য়েলহৌমী নৎত্রগা মফূরুপ-মরৈচাশিংগী মনাৎকা চূনবা পোলিটিকেল-ইকোলোজিগী বেলেন্স অদু লৈতবা কুইরক্লে হায়বা ৱাফম অসি শোয়দনা উবা ফংগনি। পান-ইন্দিয়ান ওইবা মেজোরিটি পোলিটিকেল ফোর্সশিংগী সেন্ত্রেলিষ্ট আইদিয়া অমনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী পূন্সি মহিংবু, মশাগী অশেংবা আইদেন্টিটি অদুদগী তোঙান্না মচোই-মচোই তাহল্লক্লি। ইন্দো-পাক অনীগী পার্টিশন মতুংদা ত্রিপুরিশিংনা মাইনোরিটি তাদুনা খোঙ্গুল মুৎখিবগী মতৌগুম্না ঙসিসু, মণিপুর, অসাম, মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দনচিংবা ষ্টেটশিংদা লোনা য়াদবা মীতোপ কয়ামরুম নারোন্দা ঈশিং-ঈচাওগী মতৌগুম্না পুশিল্লক্তুনা, লমদমশিং অসিদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা খুন্দারক্লুবা মীয়াম্বু মশাগী মরৈবাক মনুংদা ইন্টর্নেল্লি দিসপ্লেসদ পর্সন্স (আই দি পি) শিংগী মিংথোল পীরগা রিফ্যুজি ওইনা হিংহল্লি। মণিপুরদা মণিপুরীশিংনা আই দি পি ওইনা হিংলিবা পূন্সি মহিং অসি অসাম অমসুং নাগালেন্দনচিংবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী অতৈ ষ্টেটশিংদসু ইকুই কুইদনা ওইরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। মরম অসিনা নাগালেন্দ, অসাম অমসুং মিজোরামদা কুকিনচিংবা লোনা য়াদবা মীতোপশিংদা পীরম্বা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী খুদোংচাবশিং অদু ককথৎপা অমসুং মখোয়গী বাইওমেত্রিক লৌবগী অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনরক্লি। সঙাইগী মতৌগুম্না, অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীয়াম অসিসু খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরক্লে।

টুরিজম চাওখৎহন্নবগীদমক্তা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা হায়বসি মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম অসিগী ওইনা য়াম্নমক পূক্নীং থৌগৎনীংঙাইগী মশক্লি। মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্না মাগী-মাগী মনাৎ, ঈশৈ-জগোয়, মশক্লাইবা শা-ঙা অমসুং উচেক-ৱায়াশিংগী মমিং লৌদুনা, মণিপুরদা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী মতৌগুম্না টুরিজম ফেষ্টিবেল পাঙথোক্নে। নাগালেন্দদসু হৌজিক ষ্টেট অসিগী মশক তাকপা উচেক ওইরিবা লাংমৈদোংগী মমিংদা হোনবীল ফেষ্টিবেল পাঙথোক্তুনা, ইন্দিয়া য়াওনা, মালেমগী লমকোয়বা মীওই কয়াগী পূক্নীং চিংশিন্নবা হোৎনরি। কুম্মৈ অসি টুরিজমগী খূত্থাংদা লৈবাক্কী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক্তা পাঙথোকপনি। ঙসিদি টুরিজম হায়বসি মালেম পূম্বদা অচৌবা ইন্দষ্ট্রিগী সেক্টর অমা ওইরে। ফ্রান্স, ইটলি, ইংলেন্দ অমসুং থাইলেন্দনচিংবা লৈবাক কয়াগী শেন্মীৎলোন চাওখৎহনবদা ইন্দষ্ট্রি অসিনা অচৌবা শক্লোন অমা লৌরি। লাইবক থীবদি, অসুক কান্নখ্রবা ফেষ্টিবেল অসি চহী অহুমগী মতুংদা কুমসি পি আর লৈঙাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদা আই দি পিশিংনা অকনবা মওংদা থিংদুনা মায় পাক্লা পাঙথোকহনখিদবা অসিনি। কুমজা ২০২২দা মী লাখ ২.১৯না য়েংবা লাক্লখিবা ফেষ্টিবেল অসি হন্দক্তি মীওই লিশীং ১০ য়ৌনা তিনখিদে অমসুং ষ্টোল অয়াম্বা খুন্তাক-লানশিবগুম ইতাক তাকখি হায়না নেশনল মীদিয়াদা রিপোর্ট তৌনখি।

সঙাইশিং অসিসু, তাইবঙ মীওইবগী মতৌগুম্না মরোল থোক্তুনা ৱাকৎচবা ঙল্লম্বা তারবদি, আই দি পিশিংনা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা য়ারোই হায়না থিংলিবা অসিদা মখোয়সু থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়ারম্বা য়াই। সঙাইগী পোপ্যুলরিটিদা খুদোংচাবা লৌদুনা মণিপুরদা মরা তপ্পগী ফীভম হঞ্জিল্লক্লে হায়না পি আর লৈঙাক্লা নম্ফুদা উহন্নবা হোৎনবা হায়বসি খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা অমা চপ মান্ননা মায়োক্লরিবা সঙাই অমসুং আই দি পিশিং অনীমক্লা য়ানীংফম থোক্তে। থৌওং অসি ষ্টেট এনিমেল ওইরিবা সঙাইগী ইকায়খুম্নবা অদুবু লৈখা তানা চিংথবীবনি অমসুং কপ্পা-কপ্পা হিংলিবা আই দি পিশিংগী মফমদা লক্লবীবনি হায়না লৌবদা লানগনি নীংদে। মণিপুরগী মীয়াম্না, মহৌশাগী শক্তম মাঙশিল্লক্লবা লোক্তাক পাৎতা তাউদুনা লৈবা, ফীভম কায়রবা কৈবুল লমজাওগী সঙাই অমসুং কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা লৌরী-য়ূম্ফম মুনবীখ্রবা আই দি পিশিংগী তুংগী পূন্সিগীদমক্তা ৱাদবা ঙমদে। মশাগী সিটিজন ওইরিবা মণিপুরীশিংগী পূন্সিবু কাং-খোং চাইহল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোক্তাক পাৎকী সঙাইবু নুংশিবীরমগদ্রা অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপদা সঙাইশিংনা হরাওরমগদ্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। তৌথোরকপা থবক্লা, ঙাঙথোল্লকপা ৱাঙাঙনা মীগী মশক তাকই হায়নবগুম্না, ময়াইলমগী লৈঙাক্লা মণিপুরগী মীতৈ, নাগা অমসুং কুকি মীতোপ্নচিংবশিংগী মরক্তা শান্নরিবা, শীংচেপ থাদুনা হাৎন-শুনহনবগী লীলা ময়াম অসি, সঙাইগী টুরিজম ফেষ্টিবেল পাঙথোক্তুনা মালেমগী টুরিষ্টশিংগী পূক্নীং চিংশিল্লগা মণিপুরবু চাওখৎহন্নীংবগী মওং ওইনা লৌফম থোক্তে। মপান্থোংগী ওইনা, মতৌ মান্নবা অদুক তৌবা শাবা হায়বদুনি। হেক উবগা হাৎন-শুনবা লৈবাক অমদা কনাগুম্বা টুরিষ্ট অমত্তনা লাক্লীংলোই।



মতাং অসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফম অমদি - - প্রশান্ট কুমার সিংহনা পি আর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ওইরিঙৈদা, রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই দি পিশিং অসি হৌখিবা জুলাই থাদগী হৌরগা দিসেম্বর থা অসিগী মনুংদা তাঙ্কক অহুম থোক্লা মশা মশাগী য়ূমদা হঞ্জিনহল্লগনি হায়না মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা লাউথোকখিবা, অদুগা অমরোমদনা, গভর্ণর এ কে ভল্লানা অমুক চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং মোরেদগী লাঞ্জেল্লকপা আই দি পি কম্মিটিশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নবদা, মফম অহুম অসিগী আই দি পিশিংগীদি মশাগী য়ূমদা হঞ্জিনবগী থবক অসি খরা তপথখিগনি হায়বা ৱাফম অমা ফোঙদোকখিবা অসিনি। গভর্ণর অমসুং চীফ সেক্রেটরি অনীগী তোঙান তোঙানবা ৱারোলশিং অসিদা পি আর লৈঙাক্কী মমায় অনী লোঙবা নৎত্রগা য়াম্না মরৌ লৈবা মশক অমা উবা ফংই। আই দি পিশিংবু মতম অমত্তদা চাং মান্ননা মশাগী য়ূমদা হঞ্জিনহনবদা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং মোরেগী ওইনদি খরা তপথখিগনি হায়রিবা অসিগী মরম অদু পি আর লৈঙাক্লা মণিপুরগী মীয়াম, মরু ওইনা আই দি পিশিংগী মফমদা ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী গুজরাটতা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দাদুনা লৈরক্লিবা মোদি অমদি শাহ হায়রিবা মীওই ফূরুপ অনী অসিগী লৌরী-য়ূম্ফম পূম্নমক, মণিপুরদা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা তৌরিবা অসিগুম্না, পটেল নৎত্রগা বনিয়া ফূরুপকুম্বা অতোপ্পা মীওই কাঙবু অমনা তুম্না মৈ থাদোল্লগা মুন্দুনা লৌখিবদা মোদি অমসুং শাহ অনীনা চহী অহুম ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা ঙম্বীগদ্রা? ওইথোক্তবা ৱানি, তুম্না হাৎকে হায়রক্নি।

য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি হায়বা দেমোক্রসিগী ফজরবা য়ূম্ফম অমদা লিংখৎপা ইন্দিয়াগী মণিপুরদা খূৎনেক ওইনা পুশিল্লকপা মানবা, লমহেন-তুহেনবা কুকি খূৎলায় পায়বা খুজোক খরনা, ষ্টেট অসিদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা পুৱারী মমাঙদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবা য়েলহৌমীশিংগী অমত্তা ওইবা অপূনবগী শক্তম অমসুং মরা তপ্পদা খাবৈ-খারা শানা অকায়বা থোকহল্লক্লিবা অসি মতম কুইরক্লে। থৌওং অসিবু, লোগী চৎনরোলদা অচেৎপা থাজবা থম্বা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা অয়াবা পীরবগুম্না তূমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা হায়বসি মণিপুরীশিংগী থম্মোয়দা মরু ওইনা অৱাং-নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীয়ামগী পূক্নীংদা তাশোন্না থিনবগুম্বনি।

ঙসিদি, ইন্দিয়াগী ঙমখৈ চিদাই ওইরিবা অৱাং-নোংপোক লমদমদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংগী পূক্নীংদা মশানা মশাগী অশেংবা শক্তম অদু মাঙখিদনবা হোৎননীংবগী অকনবা ইহুল অমা পোল্লকপগুম্না উবা ফংনরে। মণিপুরদা ঙমখৈ ৱাংমদগী নারোন্দা চঙশিল্লকপা খূৎলায় পায়বা কুকি মীতোপশিংনা মীতৈ অমসুং নাগানচিংবা য়েলহৌমীশিংগী পূন্সিরোলদা য়াম্না চাউনা শীংনরকপগী ফীভম অসি উবদা মিপাইনরবা মেঘালয়গী খাশি চীফ মিনিষ্টর কোনড়াদ সংমানচিংবা য়েলহৌমী লুচিংবশিংনা ত্রাইবেল বেন্নরগী মখাদা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী কম্মন প্লেটফোর্ম অমা শেমগৎনবা হোৎনরক্লি। অসিগুম্বা ত্রাইবেলিজমগী ঈহৌ অসিদা, ইকায়খুম্নজরবা ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল প্রসিন্টে দ্রৌপদি মুরমুনা মণিপুরদা পাঙথোকপা ৮৬শুবা নুপীলানগী থৌরম য়াওবা লাক্কদবা অসিনা অচৌবা ঈনোৎ অমা হাপ্পগনি। ●

# লুচিংলেন ইরাবতকী লমজিংদা ১৯৩৯ গী নুপী লাল – ১


- এল সোতিনকুমার -

বৃটিশ সম্রাজ্যবাদিনা নিংথৌবু শীজিন্নরগা মীয়ামবু মীনাই ওইনা ওৎ নৈদুনা পানবা ফিউদিয়েল সমাজগী চপ চাবা লোনচৎ চৎপা মতমনি। নিংথৌনা শক্তি পুন্নমক শুপ্পায় পায়শিন্দুনা মীহাৎপগী শক্তি ফাওবা লৈরিবনি। রতন, ব্রহ্মসভা, নিংথৌ হায়দুনা ধর্ম্মগী মিংদা ওৎ নৈবগী থাক কয়া লৈরম্মী। অমাং-অশেং হায়বা অমা কন্না চৎনরম্মী। মী অমবু মাংলবা মীনি হায়দুনা সমাজগী থবক্তা মীয়ামগা তিন্ন-তোৎনবা য়াদবগী হুকুম তৌরম্মী। অদুবু মাংলিবা মী অদুনা শেল পীরগদি শেংদোকপা ঙল্লম্মী। অসুন্না অমাং-অশেংনা মী ওৎনবা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরম্মী। রতন হায়বা ফম্নাইবা অসিনা মাংহল্লগনা লুপা ৫০ পীরগা কোকপা য়াবা, ব্রহ্মসভানা মাংহনবগী হুকুম কোক্লবনা লুপা ৮৫, পাই ১৩ অদুগা নিংথৌনা মাংহনবগী হুকুম কোকহনবনা লুপা ৫০০ না য়াগনি হায়দুনা রেট অমা চপ চানা কত্তুনা থল্লম্মী। মণিপুরদা লৈবা তম্পাক্কী মৈতৈ মখৈ গৌরিয়া বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎতবা য়ারমদে। ধর্ম্মসি লৌবগা লোয়ননা চন্দন থিনগদবনি, মদুগীদমক চন্দন শেলখায় হায়দুনা পাঁচ অনা মতমদুগী পৈশা মরিনা শাবা আনা মঙা পীগদবনি। মসি পীদ্রগনা মাংই হায়দুনা ইন্থোক্কনি। মতমদুগী নিংথৌ শাসন অদুনা চীংগী মীওইশিংবু অমাংবা কাঙবুনি হায়না ইন্থোক্তুনা থনম্মী। তম্পাক্কী মীওইশিংগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা থাক খায়দোক্তুনা নিংথেমচা নত্তবশিংদি ননাই অরানবা মচা হায়না য়ান্না নোঞ্জহন্না থম্বা মতমনি। নিংথৌ লৈঙাক্কী মীওৎ মীনৈ অদুনা লৈঙাক্কী খাজনা লৌবা লাকপা অমসুং অচৌবা কুল্লকপদা মী অদুগী চাকথাক পীগদবনি। মদুবু পীয়ন চাকথাক হায়না খঙনৈ। ফম্নাইবদুবু দোলাইদা হাপ্তুনা খুথাং য়ৈদুনা থিনগনি, পোত্থাং বেগার পুহনগনি, দোলাইরেং ওইহনগনি, খাজনা খোল্লগা লৈবা মফমদা খুলনা শঙগনি, মদুবু য়ারেক সন্ত্রি কৌই। থোং অমা লানবদা শেনখায় লৌগনি, ইঙ্খোলদা হৌজবা উ অমত্তং য়ানবদা, তেরা হেকপদা, খুদেং পুবদা মাশুন লৌগনি। লৌমীনা মশাগী লৌবুক্তা ঙা ফাবা য়ারোই, লৌখোং মচা শিৎপা য়ারোই। মরমদি জল সম্বন্ধি কৌবা আইন অমা লৈ, মদুদি নোংজুথাদা পাৎকী ঈশিংগা লৌবুক্লা শন্নে। অদুনা ঙা চেনশিনখি হায়বসিনি। অসুন্না মীচম মীয়ামদগী খাজনা মখল কয়া লৌদুনা ওৎ-নৈবা অসিদা মীয়াম্না নিংথৌগী মায়োক্তা শাউবা হেঙ্গৎনরকখি।

**ফিউদিয়েলিজমগী মায়োক্তা ইরাবত :** অশিবা পোৎলোইনবা হায়দুনা থৌরাং তৌরিঙৈদা নিংথৌগী হুকুম অমনা পোৎলোইবা য়ারোই মাংলে হায়রকপদা ফুমজিন্নবনা কোঙ্গায় অমা, শোরাৎ শোনবা য়াদবা কোঙ্গায় অমা, অসুন্না কপ্ন-লাওনবগী মখোলনা মণিপুরগী কাচিন কোয়া নিল্লম্মী। মতমদুদা মীয়ামবু তমথিনা ওৎ-নৈবা কয়াসিগী মায়োক্তা থেংনবীনবা মীয়ামগী লুচিংবা কনা লৈবগে হায়না হংনরকপদা জননেতা ইরাবতনা থৌনা লৈনা চোংথোরকখি। পেন্দ্রবা মীওই কয়ানা নিংথৌগী শুপ্নম লৈঙাক অসি শীংননিংবগী ৱাখল পাক শন্না ফাওরকখি। জননেতা ইরাবতনা মীয়ামবু ওৎ নৈরিবা কয়াসিগী মায়োক্তা মথং মথং থেংনবা হৌরকখি। ইরাবতনা অসিগুম্বা অওৎ অনৈ কয়া অসি থেংননবগীদমক মণিপুর সেবা কম্মিটি শেমদুনা মাংই হায়না ইন্থোল্লকপা মীগী ফুন্লিবা মশা হন্দোক্তুনা পোৎলোইবা, পালা শেমগৎতুনা মশানা ঈশৈ হন্দুনা কোর্তান পায়রগা শোরাৎ শোনবা হৌরক্লে। ব্রহ্মা সভা, রতন, নিংথৌ, পিয়ন পনবদা কিবনা নিকচরবা মীয়ামগীদমক লালহৌ লুচিংবা নিপা অমা ওইনা ইরাবত থোরক্লে। ইরাবতনা প্রজা মন্দল কৌবা লূপ অমা লিংখৎতুনা নিংথৌ পানবা সমাজগী অওৎ অনৈগী মায়োক্তা লেপ্তুনা থেংনরক্লে। ইরাবতনা শেল্লিবা দল কয়া অসি মুত্থৎপা য়ানবা মহারাজ চুরাচান্দনা য়াম্না হৈশিংনা মশানা প্রসিদেন্ট ওইদুনা- 'নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা' হায়বা অমা লিংখৎতুনা ইরাবতপু ভাইস প্রসিদেন্ট হাপ্লে। মহারাজ চুরাচান্দগী তশেংলবা পোলিসিদি মাগী মখাদা লৈবা দল অমদা য়াওহল্লগা ইরাবতকী লালহৌ নমথগে তৌবা থৌরাংনি। ইরাবতনা থৌরাং অসিবু চপ চানা খঙখি।

**১৯৩৮- চীংঙা কনফরেন্স :** কুমজা ১৯৩৮গী দিসেম্বর ২৯ অমদি ৩০ দা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ৪শুবা কনফরেন্স চীংঙাদা ফমখি। মীফম অদুনা হিন্দু হায়বা ৱাহৈ অসি লৌথোক্তুনা নিখিল মণিপুরী মহাসভা হায়না মীং থোনখ্রে। চীংঙা কনফরেন্স মণিপুর ইতিহাসতা চাওরবা অওনবগী খোঙথাং অমনি। রাজনিতিগী ৱাখল লৈত্রিবা লমদম অসিদা ইরাবতকী লমজিং মখাদা মণিপুরদগী বৃটিশ চৎখিনবা লোয়ননা পুর্নদায়ত্ব শিল শাসন লিংনবা চীংতমগী সাসন পুশিন্নবা ৱারেপ লৌদুনা দাবী তকশিনখি। সাবালক ভোটনা মীয়ামগী মীহুৎ খনগদবনি, লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইগদবনি। কৃষক মজদুর রাজকায়ম লৌমী শিন্মীনা শাসন পায়গদবনি হায়বা খোল্লাও লাওখি। মহাক্কী ভাসনদা দরবার মুত্থৎকদবনি, মীয়াম্না ভোটতা খল্লগা শাসন তৌগদবনি। পঞ্চায়েট রাজ লিংগদবনি হায়খি। অদুগা লোয়ননা ধর্ম্মগী নমাদা শেলখায় কয়া খায়রিবা,





পালা লোইশঙ, শেন্তেক, চন্দোল শেলখায় পাচঁ অনা, দোলাইরেং, পোত্থাং বেগার, পিয়ন আমিনগী চাকথাক, জল সম্বন্ধিগী আইন, মাশুলনচিংবগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌখি।

চীংঙা কনফরেন্স অসিদা তাখিবা ৱারেপ পূন্নমক ষ্টেট দরবারদা দাবী ওইনা থাজিনখ্রে। লৈঙাক্লা দাবী পীনবা খন্নবগী মহুৎতা 'নিখিল মণিপুরী মহাসভা' অসি রাজনিতিক দল অমা ওইরে হায়না ৱারেপ লৌরে। রাজনিতিক দল অমা ওইরবনিনা ষ্টেট লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি অমত্তা সভাসিদা য়াওবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রে। সভাদা য়াওরম্বা পূন্নমক রিজাইন তৌনবা হুকুম থোক্লে। লৈঙাক্কী ৱারেপ অসি হেক ফংবগা ইরাবত পঞ্চায়গী মেম্বর ফমদগী মশানা তোকখি। ফম থাদোকপদা নত্তনা পঞ্চায় মেম্বর ওইবগী লৌচা লোয়ননা মাগী স্বধর্ম্মীনিগী ফংজবা লৌচা পুন্নমক নিংথৌদা অমুক কখোকখ্রে। জননেতা ইরাবতনা মীয়ামগীদমক্তা কখোরকপদা মীয়াম পুন্নমক্লা থাগৎনরকখি।

**নুপী লাল হৌরকপগী মরম :** জননেতা ইরাবতকী লমজিং মখাদা মণিপুরগী মফম খুদিংমক শিনবা থুংনা বৃটিশ সম্রাজ্যবাদি অমদি নিংথৌ লৈঙাক্কী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ কয়া পাক শন্না চঙশিনখ্রে। মহাসভাগী কর্ম্মি পূন্নমক খাদি শেৎপা হৌরে। বিলাতকী ফিরোল চৈরাপ মমাঙদা পুথোক্তুনা মৈ থাদোকপা বন্দে মাতরমগী স্লোগান লাউখ্রে। জননেতাগী অকনবা কেম্পেইন অসিনা মীয়ামদা বৃটিশ লৈঙাক অমদি নিংথৌ শাসনগী মায়োক্তা থেংননিংবগী ঈথক ঈপোম হৌরক্লে। মসিনা কুমজা ১৯৩৯ গী নুপী লাল হৌনবগী মরু ওইবা মরম অমসু ওইখ্রে। নিংথৌ লৈঙাকসিনা মপান্দগী লাকপা শেঞ্জাও পায়বা করবারৱালাশিংগা লৌতুনরগা শেন্দোং হেন্না তান্নবগীদমক মণিপুরগী ফৌ চেঙ মপান্দা থাদোকপা হৌরকখি। কুমজা ১৯৩৯ গী নুপী লাল হৌরকখিবসি মতম শাংনা নিংথৌগী শুপ্নম শাসনগী মখাদা পেন্দবা কয়া লৈবদুদগী থোক্লককখিবা লালহৌনি। মতমসিদা নিংথৌ শাসনগী মখাদা মীয়াম্বু নমথদুনা থম্বগী অয়ৌবী থাক য়ৌখি। শেঞ্জা থুমজা হেঙ্গৎলকপা, অকনবনা অচুম্বা শকপা, ধর্ম্মগী অমদি তোঙান তোঙানবা নামা থাংজিন্দুনা মীবু ওৎ-নৈবা কয়া অসি খাঙবা ঙমদবগী থাক অমদা লাকখি। বৃটিশ সম্রাজ্যবাদিগী হৌন লোনচৎ, লৈবাক অমগী রিসোর্স পূন্নমক মখোয়গী শেন্দাল লম্বেল ওইবা অদুনা মণিপুর মীয়ামগী শেল থুমগী ফিভম (আর্থিক অবস্থা) শোকচিনহনবগী অচৌবা মরম অমা ওইখি। অসুন্না মশাগীদমক য়েংবা বৃটিশ সম্রাজ্যবাদি অমদি নিংথৌ শাসনগী য়াম্না করাম চাওবা পোলিসি অসিনা নুপী লাল হৌরক্লবগী মরূ হুনখি।

কুমজা ১৯৩৯গী সেপ্টেম্বর থাদা ইথা থাজদনা ঈচাও থোকপদগী লৌদা অমাঙ অতা থোক্তুনা চাক তাঙবা থোক্কদ্রা হায়না কিবা ফাওবা মতমনি। জননেতা ইরাবতনা ১৯৩৯গী সেপ্টেম্বর ৯দা দরবারগী প্রসিদেন্টতা খুদক্তা মণিপুরগী চেঙ মপান্দা থাদোকপা থিংননবা দাবী তকশিনখিবা অদুদগী মতম খরগী চেঙ থাবা লেপ্পবগী হুকুম সেপ্টেম্বর ১৩, ১৯৩৯ দা থোকখি। অদুবু নিংথৌ অমদি দরবারগা মান্নরগা চেঙ থাবগী অরিবা পাস শাজিন্দুনা চেঙ থাবগী থবক লেপ্তনা চত্থখি। মসিদা ইরাবতনা মরৱারি করবারৱালাশিংগা নিংথৌগা মান্নরগা চৎলিবা শাজৎ অসিনা মণিপুরগী মীয়াম চরা হেল্লগনি হায়না অকনবা প্রতিবাদ তৌখি। লোয়ননা মরৱারিগী গুদাউনশিং খুদক্তা চ্যেক তৌনবা তকশিনখি। নাকল অমরোমদসু শেঞ্জাও পায়বা চোরা করবারৱালা বাবু কষ্টুরচান্দনা চেঙ থাবা থিংবগী হুকুম কক্লনবা কন্না হোৎনখি অমদি সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৩৯ দা নিংথৌনা দরবারদা খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না নবেম্বর ২৪, ১৯৩৯দা মখা তানা চেঙ থাবগী হুকুম অমুক থোকখি।

**নুপী লাল :** কুমজা ১৯৩৯ দিসেম্বর থা, মতম অসি অঙনফৌ ফংনরকপা মতমনি। অদুবু মোনোপোলিষ্ট করবারৱালাশিংনা মণিপুরদগী চেঙ অমদি ফৌ কা হেন্না থাদোকপগী থবক চত্থরম্মী। মতম অসিদা মণিপুরদা চেঙ তক্লবা মিল লৈবা হৌরে। মিল কয়া অসিনা তকপা ফৌ পূন্নমক চেঙ ওল্লগা মীয়ামদা য়োনবগী মহুৎতা মপান্দা শেন্দোংগীদমক্তা অতৎপা লৈতনা থাদোরক্লে। মীয়াম চানিংঙাই লৈরক্ত্রে, চরা হেনবনা হা-হা লাওনরক্লে। অবস্থা অসিদা হৌনবা হায়নবা লৈতনা দিসেম্বর ১১গী অয়ুক্তা খ্বাইরম্বন্দ দুকান মমাঙদা মপান্দা থাদোকখিনবা পরেং লেংদুনা থল্লিবা চেঙ ফৌনা থল্লবা ট্রক গাড়িশিং ইমা ইবেলশিংনা হৌরক্তুনা থৎখি। তৌইগুম্বসুং চেঙ থাবা লেপ্পগী থবক্তি তোকপা লৈখিদে। নোংঙাল্লকপা দিসেম্বর ১২গী অয়ুক্তা চরা হেল্লবা নুপী মীয়ান্না হৌন- হায়নরুবা লৈতনা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা তিল্লে। মারৱারিশিংদা তাইনবা পুখৎলকপা ফৌ গাড়ি, চেঙ গাড়ি পূন্নমক ইমা ইবেলশিংনা ফারে। মায়কৈ কয়াদসু ফৌ চেঙ গাড়ি কয়া ইমা ইবেলশিংনা ফাদুনা বজার তান্না পুখৎলক্লে। অফাবা ফৌ চেঙ পূন্নমক ইম্ফাল থানাদা ইমা ইবেলশিংনা পুখৎলে। থানাদা অফাবা ফৌ চেঙগা লোয়ননা ইমা ইবেল লিশিং লিশিংনা কোইশিল্লে। ইমা ইবেলশিংগী মরু ওইবা খোল্লাওদি মিলদা চেঙ তকপা থিংউ, মপান্দা চেঙ থাবা থিংউ হায়বসিনি। তাঞ্জা অসিদা দরবারগী প্রসিদেন্ট মিষ্টর সার্পনা লাক্তুনা নিংথৌনা নবদ্বিপতা লৈখিবনা নিংথৌগী হুকুম য়াওদনা চেঙ থাবা থিংবা ঙমদে, নিংথৌদা টেলিগ্রাম তৌগে হায়ররে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৭কী ৱাহং

১) "য়াঙনা পাইখ্রেদকো পুন্সি" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
২) "নবাব-নন্দিনী" (১৯৭১) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং ইয়ু।
৩) "ঐগী মরুপ মপাংশিংনা ঐবু খরনি উদে, টেলিফোন তৌবসু ফংদে কদায়দা মাঙলুরিবনো হায়না হংই।"
ৱাহৈ পরেং অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা অইবা অমনা ইবা লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?
৪) "ঐদি ফাওদবা য়াদে" হায়না মিংথোনবা রেদিও দ্রামা অসি য়াওবা লাইরিক অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।
৫) "ঈথক্-ঈপোম্" হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।